**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লনগী লাইরেম্বী ইমোইনু ইরাৎপগী থৌরম মনিপুর অমসুং মনিপুরিশিংনা খন্দাবা মালেমগী মফমশিংদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং নাৎকী ওইবা ইরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাক শন্না পাঙথোকরি।

২) ফিসরিজগী দিরেক্তর টি. ফুলেন মীতৈনা হায়রি- ইমোইনুগী ঙাগী মেলাদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৮০ রোম পুথোকবা পান্দম থম্বদা ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ হেন্না পুথোকখি।

৩) অনৌবা চহি ২০২৬ হয়েংদগী হৌরগনি। অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) কবুই ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ গান ঙাই হয়েংদগী পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে, লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমসুং

৫) কেন্দ্র সরকারনা পেন কিল্লর, ন্যুমুসুলাইদ য়াওবা হিদাক মখল খুদিংমক য়োনবা অমসুং শাবা থিংখ্রে।

------

ইমোইনু (এল)ঃ ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা ঙসিগী নুমিৎ লনগী লাইরেম্বী ইমোইনু ইরাৎপগী থৌরম মনিপুর অমসুং মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মালেমগী মফমশিংদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং নাৎকী ওইবা ইরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাক শন্না পাঙথোকরি। নুমিদাংৱাইরমদা মীয়ামা কুম অমগী অনৌবা মনা মশিং অথেনপোৎ কৎপা অমসুং অঙৌবা ঙা, মৈরা কৎতুনা চাকহোং-ঙাহোংনবা থৌনিগী থৌরম পাঙথোক্লি।

ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্য সভা এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এশিং-য়ুমাম খেমচান্দ, থৌনাওজম বসন্তকুমার, কে. রোবিন্দ্রো, কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ, কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)নসু ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ইম্ফালগী হয়িং খোঙবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা নৌনা শাবা ইমোইনুগী শঙ্গাই অমা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবকশিং মখা তানা তৌখিগনি। মহাকা হায়- মীয়ামা ইশা ইশাগী লাইনিং লাইশোল, চৎনবী কাউথোক্লবদি ইশাগী শক্তম মাংখিবগা চপ মান্নে।

ইরমদমগী ইনাৎ য়োকখৎ লুপ অমসুং য়ুথ এমেচর ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী জগোই ঈশৈ, ৱারী লীবা অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বনা মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম চেনগৈচীং ইমোইনু থৌগল লুপ অমদি উত্রা শঙলেন সনাকোনুং অনিনা শিন্দুনা ৱাইথৌ চেনগৈ চীংদা লৈবা ইমোইনু খুভমদা ইরাৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। য়াকাইরোই শকপা, ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপা অমসুং উ চারা থাবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

মেলা (এল) ঃ ইমোইনু ইরাৎপগা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা অহুমলকশুবা ইমোইনু ঙাগী মেলা পাঙথোকখ্রে। ষ্টোল ১৪০ রোম হাংখিবা মেলা অসিদা ঙামী অমসুং কোওপরেটিব সোসাইতিশিংনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা ঙা মখলশিং ফংহনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফিসরিজগী দিরেক্তর টি. ফুলেন মীতৈনা হায়- চহি খরগী মতংদা মণিপুরগী ঙামীশিংনা পুথোক্লিবা ঙাশিং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পাৎশিংদসু ঙা মচা কয়া থাদদুনা লমদম অসিদা মপান লমদগী ঙা পুশিল্লক্লিবা অসি হন্থহন্নবা বিভাগ অসিনা হোৎনরি। শ্রী ফুলেন্না হায়- মপানদগী পুশিল্লক্লিবা ঙাশিং অসি হকচাং শোকিঙাই ওই। মরম অদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা ঙা চাবীদুনা মীয়ামগী হকচাং ফহনবতা নত্তনা ঙামীশিংগী শেন্থোক লম্বী ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- মেলা অসিদা ঙা কিলোগাম লিশিং ৮০ রোম পুথোকবা পান্দম থম্বদা ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ হেন্না পুথোকখি।

রোবিন্দ্রো (এল) ঃ এম.এল.এ- তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা হায়রি- মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংনা খুন্দারিবা লমদম অমনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফুরুপ ৩৬ রোমগী তোঙান তোঙানবা চৎনবী অমসুং হরাউ কুম্মৈশিং পাঙথোক্লি।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী রোবিন্দ্রোনা হায়- মণিপুরদা চহি চুপ্পা জাতি কাংলুপশিংগী মরুওইবা কুম্মৈশিং পাঙথোকৈ। মসিগী

মনুংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম অমসুং হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা কবুই জাতিগী গান ঙাই অসিসু অমনি। কুম্মৈশিং অসি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা পুন্না পাঙথোকমিন্নদুনা ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌনা রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরিবা অসি কোকন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা, ইং তপ্পা, চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহল্লশি।

নিউ ইয়ার (এল)ঃ অনৌবা চহি ২০২৬ হয়েংদগী হৌরগনি। অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ইং ২০২৬ না লাকপদা মীয়ামা লমদম অসিদা শান্তি, নুংশি চান্নবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবা উৎপগী ফিরেপ অদু অমুক হেন্না চেৎশিনহল্লশি। অনৌবা চহি অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন মনাউ ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিনহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিংজেল শাগৎতুনা রাজ্য অসিবু মরা চেৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরশি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়- মতম হায়বসি তুরেলগী ঈচেলগা চপ মান্নে, হৌখিবা কয়াবু চেন্থদুনা পুখ্রগা অনৌবা কয়া পুদুনা লাকপনি। মসিনা মীয়াম মরক্তা অমত্তা ওইবা, অনৌবা ব্রাখল্লোন শাগৎপা অদু তাকপীরি। হৌখিবা মতম খরা অসিদা অয়েৎ অপন অমসুং তোখায়বনা লমদম অসিবু চাংয়েং তৌখ্রে। লেপ্পা লৈতনা চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেলগুমা ঐখোয়সু মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনরশি। অনৌবা চহিনা লাকপদা থৌনা ফবা, অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজেলদা হায়- হৌখিবা চহি অমা অনি অসিদা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকা মরম ওইদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখমখ্রে, মীওই কয়া অমনা রিলিফ

কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। অদুবু হৌখিবা মতম খরা অসিদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা মেছিন্নরিশিং, লনাই লুপশিংগী মতেংদগী রাজ্য অসিদা তপা তপা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লক্লে। অনৌবা চহি ২০২৬ অসিনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়াম পুমমক্কী পুন্সিদা অনা অয়েক য়াওদনা, অৱাৎ অপা লৈতনা ইংনা তপা নুংঙাই য়াইফনা হিংবা পুন্সি ওইরসনু।

এম.এল.এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা অনৌবা চহিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়- লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ পুমমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা হেন্না শান্তি লৈবা, তংদু লৈতাবা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহল্লশি।

এম.এল.এশিং- তোংব্রম রোবিন্দ্রো, যুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশ, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ, কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)নসু অনৌবা চহি ২০২৬ না লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, অনৌবা চহিবু হরাউ তয়ামা ওকবা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীয়ামা শেম শান্নরে। নোনে জিলাগী মীয়ামনসু অনৌবা চহিবু তরামা ওকবা শেম শাবা লোইরে। জিলা অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা হোল অমসুং চর্চশিংদা নিংথিনা লৈতেংলে। চহি লোইবা অমসুং অনৌবা চহি লাকপদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা রাজ্য পুলিসনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা ইং ২০২৫ বু হনগৎনা য়েংবা হায়বা পুংখায় অমগী থৌরম ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা শন্দোক্তুনা তাহনজগনি। থৌরম অকাশবানিগী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিং লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

গান ঙাই (এল) ঃ কবুই ফুরুপকী নাৎকী কুম্মৈ গান ঙাই হয়েংদগী হৌরগনি। নুমিৎ মঙানি চুপা পাঙথোক্কদবা কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। মপুং ওইবা থৌরম গান ঙাই প্রিজার্ভিং কবুই হেরিতেজনা শিন্দুনা ষ্টেট লেবেল গান ঙাই কুম্মৈ হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম মমাং কবুই খুলদা পাঙথোক্কনি। মণিপুর অমসুং অতৈ মফমশিংদা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্কনি।

গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা অমদি লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- নিংথম থাগী লৌরোক মতুংদা পাঙথোকপা গান ঙাই কুম্মৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা ঈশ্বরগী মফমদা তংদু লৈতবা, শান্তি অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা থৌনিজরশি । নুংশি চান্নবা, অমত্তা ওইবা অমসুং মরুপ মপাং ওইবগী ৱাখল্লোনদা কুম্মৈ অসি ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না পাঙথোকমিন্নশি হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়- কুম্মৈ অসিনা মরুওইনা শক্তম অমসুং অমগা অমগা পুনশিন্নবগী শক্তম উৎলি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নাথৈদুনা থম্বা য়াররোইদবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদি সংস্কৃতি অসি হিংহনদুনা থল্লশি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা হেন্না চাওখৎপা, কাংলুপ মশেল মরক্তা হেন্না নুংশিননা লৈমিন্ননবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি। মহাকা হায়- রাজ্য অসি অৱা অনা তাদবা, অনা অয়েক য়াওদবা ইং তপ্পা রাজ্য অমা ওইহল্লশি।

এম.এল.এশিং- তোংব্রম রোবিন্দ্রো, য়ুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশ, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ, গান ঙাই কুম্মৈনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ঈশিং (এল) ঃ ইরিল তুরেলগী ঈমায় নেমথখিবনা মরম ওইদুনা পোরোমপাৎ ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা ঈশিং চাং নাইনা পীবা

ঙল্লরোই হায়রি। পি.ঐচ.ই.দিগী চেরোল অমনা হায়- শঞ্জেনথোংদা লৈবা ওফিসার ক্বাটর, জেনিমস হোস্পিতাল, নিউ চেক্কোন, নোংমৈবুং, শোইবম লৈকাই, অয়াংপল্লি রোড, খুরাই কোংপাল, টি.ভি. টৱার এরিয়া, ৱাংখৈ খুনৌ, রাহ্মানিয়া, তোপ খোঙনাং মখোঙ, থঙ্বালখোংগী মফমশিংদা ঈশিং চাং নাইনা পীবা ঙমলোই হায়রি।

অমরোমদা, তুরেলগী ঈমায় নেমথখিবনা মরম ওইদুনা ঈশিং চিংখৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরকপদগী ত্রিটমেন্ট প্লান্টশিং নিংথিনা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে। কাঞ্চিপুর ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোনবা মফমশিংদসু ঈশিংগী ঈমায় নেমখিবদগী মীয়ামদা চাং নাইনা ঈশিং ফংহনবা ঙল্লরোই হায়রি।

হিদাক ঃ কেন্দ্র সরকারনা পেন কিল্লর হিদাক ন্যুমুসুলাইদ য়াওবা হিদাক মখল খুদিংমক য়োনবা অমসুং শাবা থিংখ্রে। কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রালয়না থোকপা গেজেট নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না খোঙথাং অসি ড্রগস টেকিকেল এদভাইজরি বোর্দকা খন্নরবা মতুং ড্রগস এন্দ কোষ্টমেতিক এক্ট ১৯৪০ গী সেক্সন ২৬-এগী মখাদা অথিংবা থমবা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

সরকারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মিলিগ্রাম ১০০ দগী হেন্না য়াওবা মমিং চৎলবা পেন কিল্লর অসি য়োনবা থিংলে। ন্যুমুসুলাইদ য়াওবা হিদাকশিং চাবা অমসুং থকপনা মীওইবগী হকচাংদা চাউনা শিংনরকপা য়াই। ন্যুমুসুলাইদ ড্রগ নত্তবা অতোপ্পা শাফগদবা ড্রগশিং কৈথেলদা ফংলে। ন্যুমুসুলাইদ অসি চিকপা নাবা মতমদা নোন-ষ্টেরোইদ এন্তি ইনফ্লেমেটরি ড্রগ ওইনা পাক শন্না শিজিন্নবা হিদাম অমনি।

একজাম ঃ সি.বি.এস.ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষাগী নৌনা শেমদোক্লবা তারিখ থোকখ্রে। সি.বি.এস.ইগী পাউ মতুংইন্না ক্লাস টেনগী ওইনা মথং চহিগী মার্চ অহুমদা পাঙথোক্কদবা সবজেক্ট মার্চ ১১ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি। অদুগা ক্লাস তুয়েল্বকী মার্চ অহুমদা পাঙথোক্কদবা পরিক্ষানা

এপ্রিল ১০ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি। বোর্দনা হায়- পরিক্ষাগী মতম নৌনা শেমদোক্লিবা অসি এদমিনিষ্ট্রেতিভগী ওইবা মরম খরদগীনি। নৌনা শেমদোক্লবা পরিক্ষাগী মতম অসি স্কুলশিংনা মহৈরোই অমসুং মমা মপাশিংদা নিংথিনা পাউ খঙহন্নবা সি.বি.এস.ইনা হায়রি।

খালেদা জিয়া ঃ বঙ্গলাদেশকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং বঙ্গলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্তি (বি.এন.পি)কী চেয়ারপার্সন বেগভ খালেদা জিয়াগী অরোইবা মথৌ মঙা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ধাকাদা লৈবা মনিক মিয়া এভিন্যুদা মীওই লিশিং কয়ানা লাক্কুনা অৱাবা ফোংদোকখি। বঙ্গলাদেশকী অহানবা নুপী প্রধান মন্ত্রি খালেদা জিয়া ঙরাং মতম কুইনা নারল্লবা মতুং লৈখিদবনি। মহাক্কী নমাজ-ই-জনাজা সাউথ প্লাজাদা লৈবা জাতিয়া সংসদ ভবনদা পাঙথোকখি। জনাজা লোইরবা মতুংদা খালেদা জিয়া ধাকাদা লৈবা সের-ই-বঙ্গলানগরদা লৈবা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং হান্নগী রাষ্ট্রপতি জিয়াউর রহামনগা থংননা লৈরোল চনখি।

থৌরম অদুদা চীফ এদভাইজর প্রোফেসার মোহামদ য়ুনুস, মরক্কী ওইবা সরকারগী মেম্বরশিং, বি.এন.পি লুচিংবশিং, আর্মদ সার্ভিস অহুমগী মকোকশিং য়াওখি।

কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, নেপাল, শ্রীলঙ্গা, পাকিস্তান অমসুং সাউথ অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়ান লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা লুচিংবী অসিগা মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ---

ক্রিকেট ঃ রাঞ্চিগী জে.এস.সি.এ ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা বিজয় হজারে ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরমবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ কতক্কী রাবেনসো য়ুনিভর্সিতি গ্রাউন্দদা চখুরিবা বিজয় মার্চেন্ট ট্রোফি ইলিট মেন এজ গ্রুপ অন্দর সিক্সতিনগী মেটচ অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মণিপুরবু ইন্নিংস ১ গা রন ২৩৯ দা থোইখ্রে।

এআর ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুল ১৩ দা স্পোর্টস আউটরিটচ প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। খুলশিং অসিগী নহাশিংদা ফুটবোল, বাস্কেট বোল, বেদমিন্টন্নচিংবা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

রোপ জম্প ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জম্প রোপ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মরিসুবা সব-জ়নিয়র, জ়নিয়র অমসুং সেনিয়র ষ্টেট লেবেল জম্প রোপ চেম্পিয়নসিপ মথং চহিগী মার্চ ২৮ দগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক তুলিহল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা সিঙ্গল রোপ স্পিদ স্প্রিন্ট, সিঙ্গল রোপ স্পিদ ইন্দুরেন্স, সিঙ্গল রোপ স্পিদ রিলে, দবল দস স্পিদ রিলেনচিংবা তোঙান তোঙানবা ইন্দিভিজ়য়েল অমসুং টিম কম্পিতিসনশিং য়াওগনি হায়না স্পোন্টেনস এসোসিয়েসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা চেরোল অমদা হায়রি।

------